HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ




অপাল কংলৈপাক্লা শীন্দুনা চনম শল্লোক লাইনিংথৌ সল্লোং অপানবগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা ৱারী লীবা অমদি লাইরিক তৌবগী থৌরমদা আর কে সনায়াইমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা ৱা ঙাঙবা

যু পি এফনা মণিপুর মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি
☛ লামায় ২

নুপী লীলাগী অহানবা নুমিৎতা খম্বা নোংবান ১সুং রাজর্ষি ভৈগ্যচন্দ্র উৎখ্রে
লামায় ৩

ফৌদা ব্লাষ্ট লায়না
☛ লামায় ৫

ৱাংখেম এ সীগী মীথোই-মীহেল্লবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে
☛ লামায় ৬

পাংশোই এ সীগী মীয়াম্না মপান্দগী ঙা লৈদনবগী পান্দমদা এ অসিগী পুখ্রিশিংদা ঙা মচাশিং লেপ্তুনা থাদরকপগী মনুং চন্না খম্নাম লৈরক পুখ্রি অচৌবদা এম এল এ কুঞ্জকেশোরনা ঙা মচা থাদবা




Vol. 46, Issue No. 153 | নিংথৌকাবা, লাংবনগী নীনি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, August 29, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


## রেভন্যু লোয়শঙনা ৱাটর রিসোর্সেস দিপার্টমেন্টতা এলোটমেন্ট পীখ্রবা লম

# লন্নাই মীওইনা 'হোমষ্টিদ' গীদমক এলোটমেন্ট পীবিয়ু হায়জরকপা য়াব্রা, প্রোসেস তৌফম থোকপ্রা

**হুইয়েন ব্যুরো**

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুর পীক্লবসু মখল কয়াগী থোকফম থোক্তবা, থোক্লোইদবা থৌদোক ৱাথোকশিং হীরম খুদিংমক্তা পীক থন্না থোকপগী মনুং চন্না মণিপুর লৈঙাক্কী রেভন্যু দিপার্টমেন্টনা ৱাটর রিসোর্সেস দিপার্টমেন্টতা এলোটমেন্ট পীবদগী অকোনবগী লোয়শঙ অসিনা প্রেমিয়মগী শেনফম ফাওবা থিরবা লমশিংগী মনুংদগী অকক্লবা দাগ নম্বর অমগী মনুং চনবা লমদগী লন্নাই মীওই অমনা মহাক্কী 'হোমষ্টিদ' ওইনা শীজিন্নবগীদমক লম খরা এলোটমেন্ট পীবিয়ু হায়জরকপদগী মসিগীদমক ওফিসল প্রোসেস তৌরম্লে হায়রি।

চথুরক্লিবা থৌওং অসি লৈঙাক্কী ওইনা লৈরিবা দিরেক্টোরেট ওফ সেট্টলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দস, মণিপুরদা হায়জরকফম থোকপ্রা। লোয়ননা হায়জরক্লে হায়দুনা লোয়শঙ অসিমক্লা মসিগীদমক প্রোসেস তৌফম থোকপ্রা হায়বা ৱাহং হংনরক্লে।

ৱাহংশিং অসিগা মরী লৈননা পাউচে অসিনা ফংবা ওফিসল দোক্যুমেন্টশিংদা য়ুম্ফম ওইবা পাউনা হায়বদা লৈঙাক্কী সেট্টলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দস, মণিপুরগী দিরেক্টরনা কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারী ১১দা থোকখিবা ওর্দর নম্বর ১১৩/এল্লোট/এ এস এন্দ এস ও-লম্ফেল/২০১৪-দি এস এল আরগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা দাগ নম্বর ৩১গী মনুং চন্না অপূনবা একর ৯১.২৪গী লমশিং ৱাটর রিসোর্সেস দিপার্টমেন্টতা এলোকেসন তৌখি হায়রি।

ওর্দর অদুগী মতুংইন্না এলোকেসন তৌখিবা অপূনবা পাক চাওবা একর ৯১.২৪গী লমশিং অদুবু কোনশিল্লিবা দাগ নম্বরশিংনা ৩৩১৬, ৩৩১৭, ৩৩৪৪, ৩৩৩৪, ৩৩৩৮, ৩৩৪৭, ৩৩৪৮, ৩৩৪৯, ৩৩৬০, ৩৩৫৩, ৩৩৫০, ৩৩৫৯, ৩৩৪৬, ৩৩৫৭, ৩৩৫৬, ৩৩৫২, ৩৩৩৯, ৩৩৫৮, ৩৩৪১, ৩৩৪২, ৩৩৩৭, ৩৩৫১, ৩৩৩৫, ২৭৭, ২৭৯, ১২৪৯, ১২৫৬, ১২৫২, ৪২, ৪৩ অমসুং ৪৪নি হায়রি।

সেট্টলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দসকী দিরেক্টরনা থোকখিবা ওর্দর অদুদা ৱাটর রিসোর্সেস দিপার্টমেন্টতা দাগ নম্বরশিং অসিগী মতুংইন্না এলোটমেন্ট পীখিবা অপূনবা পাক চাওবা লম অদুগী 'টোকন প্রেমিয়ম' গী শেনফমসু একর অমদা লুপা লিশীং ১ ওইগদবনি হায়খিবগা লোয়ননা ওর্দর অদুমক সেক্রেটরিএট, রেভন্যু দিপার্টমেন্টনা জন্যুৱারী ৮, ২০১৮দা থোকপা ওর্দর নম্বর ৩/২৯/এল এ (মিসেলিনস)/২০১৭-কম্মিস্নর (রেভন্যু) না অয়াবা পীরকপগী মতুংইন্না থোকপনি হায়নসু পনখি।

অদুগা ওর্দর অদুমক্কী কোপিশিং ৱাটর রিসোর্সেস দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরদসু পীখিবগা লোয়ননা মণিপুর গেজেটতা ফোঙনবগীদমক প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেস্নরিগী দিরেক্টরদসু কোপি পীখি হায়রি। অদুবু কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারী ১১দা সেট্টলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দস, মণিপুরগী দিরেক্টরনা ওর্দর থোক্তুনা দাগ নম্বরশিং অসিনা কোনবা লমশিং ৱাটর রিসোর্সেস দিপার্টমেন্টতা এলোটমেন্ট পীখ্রবা মতুংদা লন্নাই মীওইশিংদা গভর্ণমেন্টকী লম এলোটমেন্ট পীনবগী এপ্লিকেসন ফোর্ম (টি আর ৫ নম্বর ৫৯২৭০৫, ওক্টোবর ১৬, ২০২১) শীজিন্নদুনা লন্নাই মীওই অমনা সেক্রেটরি (রেভন্যু) দা ৱাটর রিসোর্সেস দিপার্টমেন্টতা এলোকেসন তৌখিবা তোঙান তোঙানবা দাগ নম্বর ৩১গী মনুংদা অমা ওইরিবা দাগ নম্বর ৩৩৪৪গী ফৌরেল ক্লাসকী লম হেক্টর ৭.১১৯১ পাক চাওবগী শরুক অসি লম্ফেল কলেক্টিভ ফার্মিং কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদকী ওইবনা হায়রিবা সোসাইটি অসিগী পাক চাওবা লম অসিগী শরুক্তগী ০.২০ একরগী লমবু লন্নাই মীওই অদুনা মহাক্কী হোমষ্টিদ ওইনা শীজিন্নবগীদমক এলোটমেন্ট পীবিয়ু হায়দুনা সেক্রেটরি (রেভন্যু) দা ওক্টোবর ২১, ২০২১দা অইবা চেরোল অমা পীশিল্লকখিবনি হায়রি।

লন্নাই মীওই অদুগী অইবা চেরোল অদুদা মহাক্লা মশাগী হোমষ্টিদ ওইনা শীজিন্নবগীদমক হায়জরক্লিবা ০.২০ একর পাক চাওবা লম অসিগী এলোটমেন্টগীদমক লন্নাই ওইনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## ওন্ত্রপ্রেন্যুরসিপ এন্দ এম্পৱারমেন্ট-ৱিমেন ইন মণিপুর

# 'ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিং চাওখৎহনবনা লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনগনি'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচএনএস) : ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং মণিপুরগী গভর্ণর লা গনেসননা ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিং চাওখৎহনবা হায়বসিনা লৈবাক অমগী শেন্মীৎলোন চাওখৎহনবগী মরু ওইবা পাম্বৈনি হায়খিবগা লোয়ননা ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংনা মশানা মশাবু থবক পীজবদা নত্তনা অতোপ্পশিংদসু থবক্কী খুদোংচাবশিং ফংহল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা ইন্সপিরেসন ইপিসোদ ১৮দা শরুক য়ারদুনা গভর্ণরনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, লৈবাক অসিদা স্কিল্স ম্যেন পাৱর মতিক চানা ফংহন্নবগীদমক ওন্ত্রপ্রেন্যুরিএল স্কিলদ্ চাওখৎহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। হায়রিবা ফীভম অসি ওইরক্লগদি ঐখোয়গী রিসোর্স মরাং কায়দ্রিবা অসি কোকহনবা ঙমগনি। অনৌবা ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংগী মীরোলনা টেক্নিকেল, মেনেজরিএল, ফাইনান্সিএল অমসুং মার্কেটিং স্কিলশিং মথৌ তাবগা লোয়ননা অনৌবা মালেম অসিবু মায়োক্লবা ঙমহনগনি হায়খি।

লোয়ননা নহারোলশিংগী মরক্তা থবক ফংদবা মায়োক্লরিবা অসিগী মতাং য়াওনা মখোয়গী মরক্তগী থবক ফংদে হায়দুনা নীংবা কায়বা য়াওরকপা অসি হৌজিক লৈবাক অসিগী মপূং ওইবা প্রোব্লেম অমা ওইবদা নত্তনা অখন্নবা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী প্রোব্লেম ওইরি। মরম অসিনা রিজন অসিদা অন এমপ্লোইমেন্ট প্রোব্লেম কোকহন্নবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎলি হায়খি।

মসিগীদমক অনৌবা ৱাখল্লোন চেনবা অমসুং হীরম খুদিংমক্তা শরুক য়াদুনা এক্সপার্টশিং ওইবগী তঙাইফদবা লৈ। অদুবু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরবসু মণিপুরগী নুপী ওন্ত্রপ্রেন্যুর খরনা মখোয়গী লোৎশিনদুনা লৈরম্বা মতিক ময়াইশিং উৎথোরক্তুনা অকক্লবা হীরম খরদা পোথোকশিং পুথোরক্তুনা চাংদম্নবা য়াওবা ঙম্লক্লে হায়খি।

চহী খুদিংগী মিনিষ্ট্রি ওফ মাইক্রো, স্মোল এন্দ মিদিয়ম এন্ত্রপ্রাইজেসনা হৌদোকপা আউটষ্টেন্দিং ওন্ত্রপ্রেন্যুর এৱার্দ মণিপুরনা ফংদুনা লাক্লি হায়রদুনা মখোয়বু পূক্লিং থৌগৎতুনা অনৌবা ফীভম অমদা লৈহন্নবা অমসুং মখোয়বু তেংবাঙনবা থৌশিল শেমগদবনি হায়খি। মরম অসিনা গভর্ণরনা মতিক চাবা পোলিসি অমগী খুত্থাংদা মণিপুরবু ইন্দষ্ট্রিএলাইজ তৌনবা রোদ মেপ অমা কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টনা শেমগদবনি। থবক অসিদা স্কিলদ্ অমসুং ওন্ত্রপ্রেন্যুরসিপ দিভেলপমেন্ট য়াওহনবগা লোয়ননা অকক্লনা অনৌবা মণিপুর অমগীদমক নুপীশিংদা থৌনা হাপকদবনি হায়খি।

ওন্ত্রপ্রেন্যুরসিপ অমসুং এম্পৱারমেন্ট-ৱিমেন ইন মণিপুর হায়দুনা দাইনামিক মণিপুরনা লমজিং মৈরাগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা নুপী ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিং, মহৈরোয় অমদি এক্সপার্টশিংনা শরুক য়াখি।

## মল্টি ফোক দান্স ফেষ্টিবেল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচএনএস) : ফোক দান্সকী মরমদা এৱ্যোর্নেস পীনবগী পান্দমদা মল্টি ফোক দান্স ফেষ্টিবেল, ২০২২ হৌদোকখ্রে।

থৌরম অসি মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা লোইজিং লোইয়া লৈমরোল য়াইফকোল (লোলি) না শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী এস এ সী কম্যুনিটি হোলদা হৌদোকখিবনি। হৌদোকপগী থৌরমদা তোঙান তোঙানবা ফোক দান্সশিং উৎখি।

## পুলিস শারম্বনি হায়বা মীওই ৬ ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচএনএস) : ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ইম্ফাল ইষ্ট কম্যান্দোনা পুলিস পর্সনেলশিং শারগা তোপ মোইৰাং কম্পু ময়ায় লৈকায়দগী খুমন্থেম জালিম (২৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ ইঙোচা মৈতৈদা অরানবা থবকশিং তৌনবা হোৎনরম্বনি হায়বা মীওই ৬ ফারে হায়রি। ফারবশিংদি থোংজু পার্ট টু কোইরৌদগী থোকচোম দয়ানন্দ (৩৯) অপোকপা দিলিপ, মহাক্কী মনাওনুপা বন্ত (৩১), মনাওনুপা সিবদত্ত (২৬), থোকচোম নাওবা (২৪) অপোকপা দেবেন, হৈক্রুজম বনবন্ত (৩১) অপোকপা লৈখিদ্রবা বিনেশ্বর, নেপ্রম সুসিলকুমার (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা মনিহারনি হায়রি। মখোয় মোইৰাং কম্পু খেৱা কৈথেল অমসুং খুরাই লমলোং কৈথেলগী মার্কেট সেদ মনাক্তগী ফাবনি। মখোয়দগী এস য়ু ভি (স্কোরপিও) ১গা হুন্দাই ক্রেটা অমগা মোবাইল ফোন ৬কা ফাগৎলে। লোয়ননা পোরোম্পাৎ পি এসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

## পোজিটিভ কেস মরি থেংনরে, ১ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচএনএস) : হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ঙরাংগী রিপোর্টতা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদগী ফেরজোল অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট খক্কী য়াওদনা দিষ্ট্রিক্ট ১২গী অপূনবা সেম্পল ৩৪১ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা শুপ্ন তগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট খক্তদগী পোজিটিভ কেস ২ খক্তমক থেংনরগা পোজিটিভিটিগী চাংনা চাদা ০.৬ য়ৌনা নেমথরুরবসু ঙসিগী রিপোর্টতনা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা তেংনৌপল, ফেরজোল অমসুং নোনেগী য়াওদনা দিষ্ট্রিক্ট ১৩গী সেম্পল ৩৬৬ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা পোজিটিভ কেস ৪ খক্তমক থেংনরে হায়রগসু পোজিটিভ ওইরবশিংগী মনুংদগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## HL Poll

Q : Manipurda leingakna senmitlon fagathannaba Yoo legalise tounaba hotnarakpa mai pakkani thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Leiminnariba furupsing na makhoigita oiba aningba apambasing tounarakpa achumba oigadra?

Yes 100% No 0%

## অস! লোইরেহে!

- হৌজিক ময়ামগী ৱাকৎ তাজরে।



- নপাদা হায়বীগে হায়দুদি তৌবীনু সার।

## এম বি বি এসকী সিট ১০০ লৈগদবা চুড়াচান্দপুর মেদিকেল কোলেজ

# অহানবা সেসন ওক্টোবরদগী হৌরগনি : মিনিষ্টর এস রঞ্জন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী থবকসু পুরিবা লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর ডা. সাপম রঞ্জননা ঙসি চুড়াচান্দপুর মেদিকেল কোলেজগী ফীভমশিং হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা মেদিকেল কোলেজ অসিগী অহানবা সেসন লাক্লিবা ওক্টোবর থাদগী হৌরগনি অমসুং মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (এম সী আই) না অয়াবা পীরকপগী মতুংইন্না মেদিকেল কোলেজ অসিদা এম বি বি এসকী সিট ১০০ লৈরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চুড়াচান্দপুরগী আই বি রোদতা নৌনা শাগৎখিবা চুড়াচান্দপুর মেদিকেল কোলেজগী ফীভম য়েংশিল্লবা মতুংদা মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী ওইনা অতোপ্পা মেদিকেল কোলেজ অমসু লৈবা ফংজগদৌরিবসি লাইবক ফবনি। চুড়াচান্দপুর মেদিকেল কোলেজ অসি মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা ইহান হান্না লিংখৎপা মেদিকেল কোলেজনি। মহাক্লা ঙসি কোলেজ অসিগী ফীভম য়েংশিল্লরিবা অসিদা কোলেজ অসিবু শঙ্গানবগী থৌরাংশিংসু পায়খৎপগা মরী লৈনৈ হায়খি।

কোলেজ অসিগী অনৌবা ফেকলটি মেম্বরশিংগা হকথেংননা ৱারী শানরদুনা মিনিষ্টরনা নহা ওইরিবা ডাক্তরশিং অমসুং ফেকলটিশিংদা কোলেজ অসিগীদমক য়েংলদুনা অহেনবা থৌদাং লৌবীনবা আপীল তৌখি। মখোয়গী কত্থোকপনা অমসুং পুকচেল শেংনা থবক তৌবনা মেদিকেল কোলেজ অসি লৈহনবগী মঙলান মঙফাওনগদৌরিবনি হায়খি।

অদুগা অদুগুম্বা অফবা থবকশিং অদুনা নহা ওইরিবা মেদিকেল মহৈরোয়শিংগী পূক্লিং চিংশিন্দুনা কোলেজ অসিদা মীং চন্নরক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা কোলেজ অসিগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং অমসুং সেক্সনশিংসু হকথেংননা য়েংশিনবগা লোয়ননা দিপার্টমেন্টশিংগী হৌজিক লৈরিবা ফীভমশিংগী মতাংদা মসিগী ইন-চার্জশিংগসু খন্ন-নৈনখি। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# মণিপুর কায়হন্নবা হোৎনরকপশিংগী মায়োক্তা থৱায় থাবা পাম্মুদনা মায়োক্লগনি : এমসু

## এমসুগী ৫৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে, নুমিৎ ৫নি চত্থগদবা ব্লদ দোনেসন কেম্পসু হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : কুমজা ১৯৬৫গী ওগষ্ট ২৮দগী ঙসি ফাওবগী ওইনা লৈরক্লিবা মণিপুরগী পুৱারী নৈনবদা অমদি শেন্বা/ইবদা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) য়াওদ্রবদি নৎত্রগা কান্থোক্লম্লবদি মপূং ফাবা পুৱারী অমা শেমগৎপা ওইথোক্লোই হায়না মহৈরোয়শিংগী লূপ অসিগী প্রেসিদেন্ট হাওবিজম চলাম্বা মৈতৈনা ঙসি ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা লৈবা লূপ অসিগী ময়ায় লোয়শঙদা পাঙথোকখিবা ৫৭ লক শুবা এমসুগী মপোক কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।



ঙসিগী থৌরম অসি 'লর্ন ফোর ইমান্সিপেসন' হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা প্রেসিদেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী লুরবা থেঙ্খাং/তানফম কয়াগী মনুংদা ইন্নর লাইন পর্মিটকী ঈহৌ, বোর্দর পিল্লরগী ঈহৌনচিংবা তানফম কয়াদা লমদম অসিবু ঈং-তপ্পা অমসুং মরা চেৎনা লৈনবা অমদি অওনবা মণিপুর অমা ওইনবা হোৎনবদা এমসুনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি হায়রি।

কুমজা ১৯৬৫গী মতম অদুদা লল্লোন ইতিক তৌবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# লৈঙাক্লা ৱাকৎ তাবিদবা হায়বসি পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্লবা শীনবনি : এস টি দি সী এম




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি (এস টি দি সী) না মতম কয়াগী মমাঙদগী মণিপুরদা খুন্দারিবা মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপপু সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা য়াওহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। অদুবু লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবদা এস টি দি সীনা তাল্লিবা দিমান্দ পীবগী মহুত্তা তুমিন্না য়েংদুনা লৈবগী থৌওং অসিদি পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্লবা লৈঙাক্লা শীনবনি হায়না সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি য়ুথ ৱিংগী কনভিনর নামৈরাকপম ইদিসন মৈতৈনা ফোঙদোরক্লি।

এস টি দি সীনা শীন্দুনা ঙসি থাংমৈবন্দগী পান্থোইবী শঙলেনদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অথুবা য়েলহৌমী মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল্ড ট্রাইব লিষ্টতা হোৎনবীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অমগা মরী লৈননা ইদিসননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইদিসননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহী ২ খরা হেনবা অসিদা এস টি দি সীগী খোঙজং লেপ্পুরে অদুবু কম্মিটি অসিনা তাল্লিবা দিমান্দগী মতাংদদি অহোংবা লৈতে। মৈতৈ/মীতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্দ্রিবা ফাওবা মথং মনাও নাইনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফমশিং ফমখিগনি।

মণিপুরদা লৈরিবা মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপ্পু য়েলহৌমীনি হায়না হায়জরিবা অসিদি ঐখোয় ইশানা হায়জবনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনদি মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপপু ইন্দিজিনসনি হায়না শকখঙবা লৈতে। সুপ্রিম কোর্টকী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা খুন্দারিবশিংগী মনুংদা ৯২% দি দিসেন্দেন্স ওফ ইমিগ্রেন্টসনি অদুগা লেমহৌরিবা ৮% অদুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# 'য়ু লিগেলাইজ তৌবগী মহুত্তা অতোপ্পা পাম্বৈ পুথোকপীয়ু'



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : লৈঙাক্লা ৱার ওন দ্রগস চঙশিল্লক্লিঙৈ চৈরক্তা ময়াই কাবা চিঞ্জাক অমা ওইরিবা য়ুবু লিগেলাইজ তৌনবা হোৎনরিবা অসি করিনো হায়না হংখিবগা লোয়ননা য়ু অসিসু ময়াই কাবা চিঞ্জাকনি। মরম অসিনা মসিবু চপ চানা থিংনবা হোৎনরবদি লমদমসিদা থোরক্লিবা ক্রাইম, নুপীদা চথুবা মীওৎ মীনৈ কয়া হন্থবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়না অমুকোগী প্রেসিদেন্ট নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নুমিদাং ক্বাকৈথেলদা লৈবা অমুকোগী ওফিস মনাক্তগী কৈশাম্পাৎকী ত্রাফিক পোইন্ট ফাওবা চৎখিবা মৈরাগী খোঙচৎ অমদা শরুক য়ারদুনা মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

নন্দো লুৱাংনা মখা তানা হায়, মণিপুর লায়রবা লমদম ওইরবসু য়ুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা অতোপ্পা মহৈ মরোংশিংদা মীৎয়েং চঙদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক অসিদগী লাপ্পা লৈবনা খুন্নাই অসিদা কান্নহনগনি হায়খি।

য়ুনা মরম ওইদুনা থোকহল্লকখিবা ক্রাইমশিংগী মনুংদা ইলেক্সনগী মতমদা খৎন-চৈনবা য়াওখি। নুপী অঙাংদা ফূ চৈবা, হুরান চিন্থিনচিংবা থৌদোক কয়া লমদমসিদা থোকখ্রে। মরম অদুনা মণিপুরগী মীয়াম্বু মশা মউ ফনা অমসুং তিঞ্জং কাইজংহন্দনা খুন্নাই অসিবু অফবা মায়কৈদা থম্নবা য়ুবুসু ৱার ওন দ্রগসতা মনুং চলহন্দুনা চপ চানা থিংনবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

লোয়ননা লৈঙাক্লা মণিপুরগী ইমা ইবেল অমসুং মীয়ামগী য়েংলগা থবক পায়খৎপীয়ু অমদি তুংগী মীরোল অমসুং খুন্নাই অসি মতিং লৈবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা নমহৎপা ঙমদবা খুন্নাই অমা লিংনবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদু অমোভা, এম এস এফ, পোইরৈ ইতা, চীংফু রোদ য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসনগা পূন্না শিনখিবনি।

# এম এল এনা চেঙ ১সুং হার য়েল্লে হায়দুনা থবকশিং অসিবু মখোয়গী এচিভমেন্টনি হায়না লৌবা চুমগদ্রা : নিমাইচান্দ লুৱাং

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : মীয়ামগী মীহুৎ ওইদুনা লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী মেম্বর-এম এল এ ওইরবশিংগী মনুংদগী খরনা মতম খরগী মমাঙদগী হৌরদুনা মখোয় মখোয়গী কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মীয়াম অমসুং মখোয়গী ফীভমশিং য়াম্না ফগৎহল্লে হায়বদগী হেন্দোরক্তুনা মখোয়গী কন্সটিট্যুএন্সিশিংবু অফবা মায়কৈরোমদা পুরক্লে হায়না ফোঙদোক্লবা মীয়াম্না থেংনরক্লি। অদুগুম্বা মীয়ামগী মীহুৎশিং অদুগী মরক্তগী খরনদি মখোয়গী সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা মখোয়না এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অদুগী অমসুং মীয়ামগী পায়খৎপা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা ইরম-নালা শেংদোকপা, নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা)/পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙনচিংবা মীয়ামদা য়েন্থোকপগী ফোটো ফাওবা অপলোদ তৌনরকপা য়াওরে। অদুগা মসিদগী হেন্দোরক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরবা খরনদি হার, মরূ-মরাং য়েন্থোকপা, লম্বী থোং শেমগৎপা অমসুং ষ্ট্রিট লেম্প থানবা য়াওনা মখোয়গী লোকল এরিয়াদা পাঙথোকপা মীয়ামগীনি হায়বা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা অইবা চেরোলশিং থোক্তুনা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবসু য়াওরে।



অদুম ওইনমক লাক্লিবা ৱাফমদি অসিগুম্বা মীয়ামগীনি হায়বা থবক থৌরমশিং অসিবু এম এল এ অমগী মায়কৈদগী তঙাইফদনা তৌফম থোকপা থবক থৌরমশিং ওইগদ্রা হায়বসিনি। মরমদি অসিগুম্বা মখলগী মীয়ামগী থবক থৌরমশিং অসিদি লোকল বোদি/কোর্পোরেসনশিংনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌজগদবনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা মীয়ামগী অপীকপা থবক থৌরমশিং অসিদি মীয়ামগী মীহুৎ ওইরবা মীওই অমনা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংগী ৱাংমদা লৈবনা হায়রিবা থবকশিং অসিবু পাঙথোক্লে হায়দুনা মখোয়না এচিভমেন্টনি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# খোংশাং ফাওবা মায় পাক্লা রেলৱে ইঞ্জিনগী খোঙচৎ টেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ৪৭ লোম লাপ্পনা লৈরিবা জিরিবাম-ইম্ফাল রেলৱে লাইনগী মনুং চন্না খোংশাংদা লৈবা সব ষ্টেসন ফাওবদা ঙসি ব্রোদগেজ রেলৱে ইঞ্জিন অমনা মায় পাক্লা ত্রেক্ট টেষ্টিং পাঙথোকখ্রে।

টেষ্ট অসি শুপ্নতগী মিনট ৩২গী মনুংদা বঙ্গাইচুংপাও অমসুং খোংসাং সব ষ্টেসনগগী মরক্তা লৈবা কিলোমিটর ৪৪ শাংবা রেল লম্বী পরিংদা মায় পাক্লা পাঙথোকখিবনি হায়না রেলৱেগী দেপ্যুটি চীফ ইঞ্জিনিয়র-২ রামপালনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক জিরিবামদগী য়াওনা পারগদি খোংসাং ফাওবগী রেল লম্বীগী শরুক অসি পূন্না কিলোমিটর ৫৫ শাংই হায়রি। ঙসি রেলগী ইঞ্জিন অনীনা খোংসাং সব ষ্টেসন ফাওবা টেষ্ট পাঙথোকখিবদা রেলৱেগী মীওই ৩৬না শরুক য়াখি।

# এ পি এম এস সীগী ২৯ অমসুং ৩০শুবা এন্যুএল প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসন ফঙ্কসন পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচএনএস) : লাইরিক খক্তা পাবদা নত্তনা হকচাং শাজেল তৌবসু মরু ওই। হকচাং ফত্তনা লাইরিক্তা পূক্লিং চঙবা ঙম্লোই হায়না এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা সিনাম শ্যামা দেবী টাউন হোলদা পাঙথোকপা ২৯ অমসুং ৩০রক শুবা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা মহৈরোয়, আর্টিষ্ট, শান্নরোয়, নৌনা মায় পাক্লক্লবা চীংমৈরোংগী ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংবু মনা মথুম/খুদোল পোৎ পীদুনা এসোসিএসন ফোর দি প্রমোসন ওফ মেরিটোরিয়স ষ্টুদেন্টস ওফ চীংমৈরোং (এ পি এম এস সী), ইম্ফালনা শিনবা থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, মহৈরোয় ওইরিঙৈদা তানশিনবা য়াবা ৱাখল লৌশিং তানশিন্নবা হোৎনগদবনি অদুগা মতমবু হৈ শিংনা শীজিন্নদুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫